Sunday, May 13, 2018, Imphal

HUEIYEN LANPAO



“কবিতা হায়বসি অকক্লবা মাগ্রা মশাংনা নংথ্রগা লোবেল নপাশিন্দুনা থম্বা য়াবা নত্তে। ছন্দদি মনুংদগীবু খোরকপনি।”
- এলাংবম নীলকান্ত (অচাইবা লৈ)

# অহকপা নূংগী মীতম

—শ্রীকাংজম নন্দকুমার

ঐনা ফল্লদুনা য়েংলিঙৈ
লাইওইখ্রবা ইপা, ইপু, ইবেলশিংগী
অহকপা নূংগী মীতমশিং অদুদা
য়েংনা য়েংনা ফাওরকখি থম্মোয়দা
হৌখ্রবা পুন্সিগী শরুকশিং
মথং মনাও নাইনা।

নোংমগী থৌদোক অমনা ঐবু
ঙসিদি থম্মোয় অসিদা
কাউঙমদ্রবা চৈনা অমা পীরিবা।

মীতমশিং অসিনা ঐবু
খূৎ পায়রদুনা চিংবগুম
কোয়না চৎলি
মফম অমদগী মফম অমদা।

অঙাং নাৱা ওইনা অমুক
নহা ইনখৎলকপা ওইনা অমুক
য়ূমকৈ পানদ্রিঙৈগী নহা পুন্সি
ইমাঙদা চোঙথোরকখি মথং মথং।

মীতমশিং অসিনা ঐবু
অনৌবা পুন্সি অমগী
অনৌবা ইথক অমদা
ঙহাক কোয়না তাওরদুনা
কোয়না লৈরদুনা চৎলি।

অঙনবা অয়ূক্কী তরং তরং
থোরকপা নুমিৎকী মঙালদা
মালংগী ইপোমলক্তা তাওরিবা
চেক্লা শঙ্গুলক্তা ঙহাক ইরোইমিন্নদুনা
ইনীং তম্না পাইরুই।

মীৎ পাঙথোক্তুনা য়েংলুবদা
তাইবঙপাল অসিগী ময়াগী
ঈপাকথক্তা চৈশু ওইনা
ইপা, ইপু, ইবেলশিংদুনা
ঐবু পুবিরি।

# ঐদি নঙবু তান্নখিনি

—দিম্ভাজিৎ

ঐনা চাওবা ফারকঙৈ
ৱাখল লৌশিং তারকঙৈ
অপাম নুংশি খঙলকঙৈ
নঙতবুনি ঐনা পামজখিবা
নঙতবুনি ঐনা নুংশিখিবা।

নঙতবু ফংনীংবৈ ৱাখলনা
তূম্বা চাব থিদনা
অহিং নুংথিল খঙদনা
নঙবু কোয়তান তান্নখি
ফংবা কৌবদি লৈখিদে।

করিগুম্বদা নঙনা ঐগী
নাক্তা লেংদনা লৈরবা
নোংমদোল পক্লা ৱাংলবা
সনাগী ফুরা শাগনি
মালেম লৈকোয় ঙাকহনগনি।

অদুবু নঙদি ঐগী নাক্তা
শুকলৈ লৈয়ু য়াদে
কোয়চেন চেল্লি, কোয়লোৎ লোৎলি
হেক্তা মাঙখি, থিবা খঙদে
অদুবু ঐদি নঙবু তান্নখিনি।

# নোঙ্গৌবী

—সনবম বিকেন্দ্রা মঙাং

লৈরম্মী ইনাক্তা লেঙদনা
খল্লুদে নোংমা চৎখিনি।
চৎখি মাদি নীংঙাইদা ইনাক্তগী
ওইহৌখি ঐনা মনা কংলবা পামেল।
কনাগী মফমদসু ঐহাক্না
পাল্লে ঙসিদি অৱা মৈশা লাংহন্দবা ,
লৈহৌরগনি নীংশিবগী মমি ওইনা
কাওঙমদ্রবা মহাক্কী নুংশিবা শক্তমদো।
কুমগী নোংনা লাকপদা
হল্লকখোকো নঙবু নোঙ্গৌবী চেক্লাও
থম্মোয়গী লাইজসি খৌবোম থন্না থক্লখো ।

# লুখাক

—ডা. রঞ্জিৎ মঙাং

অমনসু অমগী মখূৎ চাদে
অমনসু অমুক অমগী মখূৎ চাদে
লাইনীং লাইশোনগী চৎনবী অঙকপনি
লাইনীংবনা অমগা অমগা তোঙান তাহল্লি।

মখোয় মশেল খূৎ চানদ্রবনিনা
ঐদি মখোয় অমত্তা চাররোই
ঐদি শকউদবা মপূ লাৎপনি
ঐদি লুখাক চাবা য়াদে।

# কনাগী তেংথাখোলনো

—মোইরাংথেম কুলচন্দ্র

খোঞ্জেল অমা
তাখি ঙসি অহিং
অহিংগী চেক্লা তাম্না
শেকপী শঙ্গু-শঙ্গু
কোকিলগী খোন্থাং
লোইনমক নাথৈরগা
মকুনা শিথ-শিথনা
তেংথাবগুম
তেংথারি মহৌশা লাইরেম্বী।

তেংথারি খোঞ্জেল থোক্লা
নীংবা কায়না
কপ্লি থম্মোয় শোক্লা
মোৎলবা মালেমথক্তা।
মালেম লৈমা চেকখায়দৌরে
গ্লোবেল ৱার্মিংনা
মালেম লৈমা মুৎখিদৌরে
খূৎলায় লমজেলদা।

# য়েংলো লাও

—মাইস্নাম বীশেশ্বর

নিল খোঙলবা সহর থাপ্পা তাম্নরে
অচিকপা খুঙ্গং শংবান্নরবা মফমসে ঈংজরে
খরি লৌবুক লৌখোং ইরমশিংনা
তাম্থা চানা ইমাংসিদা চেন্থজরে
অউবা জীব খুদিংনা হরাউ পেঞ্জরে।

য়েখাইবা থিনগাইবা অপনবা লৈত্রবদা
কয়াদা থম্মোয়সে ঈংজরবা
অপুংবা খোংনাংগী উশা মথক্তা
মখৌ পোংনা উচেকশিংনা খোংজরে
উহৈ চরোংবু চাদুনা, পাইদুনা শান্নজরে।

মীওইবগী ক্রক ক্রক য়েংথিনবা
লমন শিংনবা থরুম মরৌ লৈনবা
মফমসিদদি অমত্তা লৈনদ্রে
ঈংনা চিক্লা কয়াদা পোত্থা নুংঙাইজরবা।

লোইরোই ঙমথরিবা চীংয়া চীংখোঙসে
শমজিরৈ উরৈশিংনা উশিংগী নাকচি কারক্তা
মকা লাম্না লৈশাৎচরিবসে ওন্থোক্লা নুংশিখ্রে
য়েক্লা তিঙ্খং লৈত্রবা পূক্লিং হুনা ফজবা মফমসে
লৈরোই অতে লমদম অমদা
ৱাং চাউরবা ফুরা দলান মফম নত্তে।

নীংথিজরবা শংলবা লম্মাংনি নুংশিরবা
য়েংঙু লাওনে মহৌশা খূৎশেমসে কমদৌবগে
কল্লক মীহৌ মরক্তুদগী লাপ্পা চৎথোক্লগা
অইংবা শান্তি ফংব্রা হায়না।

# কাউথোক্লগে কায়নখ্রবী নহাকপু

—লৈশাংথেম খেলেন্দ্রো

মতম অমগী চান্নবী
নঙতগী খনবদা
চাগনি থক্কনি খঙদমখৈ
পুন্সি লৈপুন ওইজরবদি
খঞ্জরম্বনি পূক্লিংদা।

করিদি পাম্বৈ লৈরি
নোংদম্বগী নোংদমখোলনি
লাইবক্তা তল্লমদ্রবনিনা
কায়না মৈচাকসে পুদুনা
হিংহৌরগে ইতোমতা
নহাক্তবু খন্দুনা লৈজরম্বা পুন্সিসে।

নুংশিবসে নুংশিকো
পাম্মুবসে পাম্মুইকো
নঙদি থম্মোয় পান্দবীনি
নহাক্লা করিগী মীরাইবরল্লিবনো
ঐসু কাউথোক্লগে কায়নখ্রবী নহাকপু
পাল্লুকো নহাকসু নুংঙাইনা।

# করিগুম্বা

—ডা. নির্মলা রাজকুমারী

নঙনা ইনাক্তা লেংদনা লৈরিঙৈ
ঐগী অৱাবগী পন্দোম লোমখি
তূমদনা লেনখি অহিং কয়া
কংখিদে পিরাং ঐগী মিৎলুদা।

নঙনা তাম্না লৈখিবদৈ
মশেক মঙাল নাইরকখি ঐগী পুন্সি।
তাৎ তৌবা নঙগী মীনোক
তাৎ তৌবা নঙগী ৱাহৈ
থম্মোয়দা তাশোন্না থিল্লি ঙসিসু।

করিগুম্বা লাক্লবা ঐগী অরোইবা মীকুপ
শিন্থরক্কনু পিরাং মরিক অমত্তসু
নঙগী মিৎলুদা
কৎপীরক্কনু লৈ মনা অমত্তসু
নঙগী নখূৎনা।

করিগুম্বা লৈরল্লবা মথংগী মপোক
উন্নরগুমসি অমুক হন্না নঙগা ঐগা।

# পোৎকী মগুণ

—রাজেন্দ্র সারুংবা

লৈরিঙৈদা খঙলমদে পোৎকী মগুণ
হিংলিঙৈদা খঙলমদে মীগী মগুণ
লৈত্রবা কান্দা লৈত্রবা তুংদদা
খঙলকই মাগী পোৎতুগী মগুণ।

মানা কল্লম্বা মফমদো
মানা মেল্লম্বা অহাংবা মফমদো
পোৎতুনা থিবা খঙদ্রবা মতমদা
মীশক্তুনা লৈত্রবা তুংদদা
খঙলকই মাগী মগুণ মাগী অৱাৎপা ।

নুংশিরবা নঙনা লুনা থমজবা
পোৎশক অমা লুন-চান্না তৌজবা
ওইরে নমা-নপা, নচা-নশু, মরুপ-মপাং
লেইনবী লোইনবা, লৈখিদ্রবা তুংদা।

খুদক্তা উনীংলকপা পাল্লকপা মতমদা
লৈরমদ্রে ৱাৎলেদো খঙলকপা মীকুপ্তা
থম্মোয় কায়খৈ তেংথাবদো নঙনা
খঙলকপননি পোৎতুগী মগুণ
মীদুগী মগুণ খঙলকই লৈত্রবা কান্দা।

# লাইচৎলক্তবু

—মেঘ কোলোম

নুংশিরকইদকো মীওইবা তাইবঙলক্তবু
হায়নীংঙাই মপাবুদি লৈতনবু
হিদান্নজ হিংনরিবা মালেমথক্তবু।
হিংঙম্নখিদ্রনে য়াইবী তয়াম্নবু
চান্না চিন্না লেঙ্গোঞ্জনবু
তিংথোক্লদা খূৎশা তরানবু
কোনশিন চিংশিন্নখ্রবদা লাইচৎলক্তবু।
মন্তিক্লরক্লবদা নমু হকচাংনবু
মালেম কৈথেল লুকমাইথক্তবু
শীংলি নাওরি কয়ানবু
লায়র চুদৎনবই কয়াৎশিংনবু।
ঈখৌলাং কোক্লরম্বা লাইজনবু
ললোন পোৎশক ওইনরক্লদবু
কোরৌ মাগী মঙালদুবু
তরেৎ শেঞ্জা তিংনরক্লদবু।

# ঈৰৈদা নোংলৈ

## (মাইবী চঙলবা মাগী ৱাহৈশিংবু থেম্বা হোৎনরিবা কবি)



| | | |
|---|---|---|
| মমিং | ঃ | ঈৰৈদা নোংলৈ |
| মখল | ঃ | শৈরেং |
| অইবী | ঃ | লনচেনবা মীতৈ |
| ফোঙবা চহী | ঃ | ২০১৭ |
| অফোঙবা | ঃ | মণিপুরী লিটরেরী সোসাইটি |
| পাউদম্লিবা | ঃ | সলাম তোম্বা |

**শৈরেংবু** ফজরগদা য়াদে, অপাবশিংবু শুমহৎপগী মগুণ অমা য়াওগদবনি হায়রম্বদু কনাসু নত্তে, Virgil গী থংমু নাউমু পোক্লকখিবা কবি Horace নি। মানা হায়, "Poetry is not an idle song of an empty day. The function of Poetry is 'Dulce et Utile" মসিবু শন্দোক্লা অমুক মানা হায়, "It is not enogh for poems to have beauty, they must also be pleasing and lead the listener's soul." হায়রিবসি কমদৌনা লাল্লি হায়রুগনি। Horace কী মমিং ঙসিফাও শোন্নরিবসি মাগী Ode শিংদুগীনি। অদুগী মথক্তা মাগী লোনগী, ৱাহৈগী মপা লৈতবা ফজবা অদুগীনি।

ঐনা ৱাহৈ অনীদং ৱামাঙ য়াঞ্জরুবা অসি ঙসি পাব ফংলিবা কবি লনচেনবগী ‘ঈৰৈদা নোংলৈ’ কৌবা শৈরেং লাইরিক অসিমা পারুবদগীনি। কয়াদি ফজখ্রে, কয়াদি মরৌ লৈখ্রে, লোনগী ৱাহৈগী ফজবসু অঙকপনি। ৱাহৈ অমগা প্রমান অমগা, মশাগী অরৈবা লোনগৈ মখৈ শীজিন্নরকপা হেক মাল্লি। লোন থোৎপদা, নৌবদা হান্না মমিং লৈরবা ঐখোয়গী কবিনি। মাগী ‘হি নঙবু হোন্দেদা’ অদুদগীনা ‘পোম্বী হঞ্জিল্লক্লোবা’ ফাওবা থেংনখিবা কয়াদুদগী হন্দক্কী অসিনা ৱাহৈগী মিত্রংদি হেল্লবোই নীংলে। নৈনরিবা থিম য়েংলবসু কবি অসিদি কবি অতৈনা নাথৈখ্রবা ঙাক্তনি। মীনা মথক য়েংলবদি ঐদি মখা য়েঙ্গনি মতানি। পুন্সি লাম্থেংদা মায়থীবা ময়ামদু কবি অসিগীদি মরুপনি, মালংগী শাহুম ফংবদা কেনগদৌগী ঙাইরবা উনা-ৱানাদু কবি অসিগীদি মিৎফম্নি। অদুগী মথক্তা কবি অসিদি ঐখোয়গী হৌরকফম থিরিবা, ঐখোয়গী নাৎ-কলচরগী শীং চৎলিবা থৱায়নি। হন্দক্কী লাইরিক অসিগী কাউবা য়াদবা মচৎ অমতং পনবা তারবদি ঈৰৈদা ঈরাক্লরিবা কয়ানা নোংলৈ অমমুক নংলবদা লাউরকপা খোন্থাং কবিগী নাকোংদা তাব ঙম্বা অসিনি হায়বা তাই। লায়রবী লুখ্রাবী অমগী চাকখুম মৈ মুৎলবদা কবিনা অসুম্না থারি, “লুখ্রাবী অসিগী চাকশঙদা/উচিনা মকোল শারক্লিবসি কুইরে/য়োৎশবী মখোঙ অহুম্মক নিংথম্বনা থক-থক নীক্লা খাঙলি/চেজেৎ কোনশিন্নরদুনা।” (ঙরাংসু ঙসিসু, লা: ৩) মসিদা পীরিবা ইমেজরী অসিদি অনৌবা পাউনি। অদুগুম্বা লায়রখ্রবী অদো মীঙোন্দা নিবগী থৌনা লৈতে হায়রি। কবিনা অমুকসু হায়রি, ফিভম্না, মতম্না কবি মহাক তুমিন্না লৈবা ঙমদে। মাগী ৱাখল লাইগী নুংশিৎ চঙলকই, মাগী ৱাহৈ মানা হায়গে হায়রোই য়ারক্তে, মাইবীগী ৱাহৈ ওল্লকই। অদুনা হৌজিক্তি মানা ঙাঙবা নৎত্রে, লাই তোংলবা মাইবী লাইবাউনি খনবীয়ু হায়রি। অদুনা মাগী ৱাহৈনা “চৎখি নোংমনা মথন্তা ঈশৈ ঙংলা ঙংলদুনা/লৌবুক্তা নৎত্রগা শাবলদা/নৎত্রগা পাত্তা, শোয়দা/নোংমনা চীংখোঙ চীংয়াদা।” (মাইবী চঙবা, লা: ৭) কবিনা থেমদুনা মাগী ৱাহৈদা হায়, নোংমতসু মনাক্তা লৈয়ু হায়না। মদুদা খুল্লকই মাগী ৱাহৈনা, ‘হো ঐদি মাইবী চঙঙে।’ অদুনা ঙসিদি কবি লনচেনবা উদবা লৈত্রে, লাইগী নুংশিৎ চঙঙে। অমম্বা অঙানবা চপ মান্নখ্রে। অদুনা চীং কক্লিবী চনুরাগী মপাউ তল্লকই, লাইবক্লা চানবীদ্রবী চনুরাদু ইজৎকীদমক হুমাং তানা শূজৈ নোমজৈ। অদুবু ফিভম্না, মতম্না য়ারক্তে। অদুনা কবিনা হায়, “নুপীসিগী লাইবক্তা/শেঞ্জাও পায়বনা শগোল তোংদুনা শান্নে/ঈপুম তাবা মখৈ থৌ-থৌদুনা।” (চীং ককপী, লা: ৯) কয়াদা শাথীখ্রবা প্রমান্নো, পান্থেনো। মসিনি কবিসিগী কল্পনা।

মসিনা হৌবদা ঙায়রি। কবিনা ৱাদ-ৱারক্লগা মমা লমদমদা চঙজৈ, থৌজাল ঈরিক অমতং পীবিয়ু হায়না নিরি। মশাবুনা অসুম্না শৈথারি, “ঐদি লৌবুক্কী থরোই অহাম্বনি/তাইবঙ মালংপানসিদা পুন্সিগী নোংজু নুংশা খাঙলিবা মীচমনি/...পিরাংগী ঈরোন্নুংদা কুমজা কয়া ফাওগৎপা ঙমদনা লূপ্লিবা/শিরবা মৈতান।” (ইমা নঙগীদমকনি, লা: ১৭) অনৌবা খোন্থানি। অনৌবা শৈরোন্নি, তাবদা নুংঙাইবা। থরোই অহাম্বা ওইরসু, মৈতাল অশিবা ওইরসু মীগী অৱা-অনাদি য়েংবা ঙমদে। চা য়োনফমদা চরা অনীখক্কী মখোঙ লৈবাক তাদনা গ্লাস চাল্লিবা, চা পুথোরক্লিবা মীচৈনা য়াকায়রোল শক্লবা অঙাংদুগীদমক কবিনা কপ্লি। কপ্পদা নত্তে, মাগীদমক চৈরি লাইবু, “হৌজিক্তি খঙলে/নুপামচা অসিনা হেক পোকপদগী/মহাক্কী মরাইবক্তা নোংদম্বনা মখোঙ হামজিল্লক্লি।” (চা য়োনফমদা, লা: ২৭) লেঙল-লেঙলগা পুথরবা লাইবকপু তাইনফম খঙদ্রদুনা নোংদম্বদা তাইনবগী মওংনি। মওংদু নত্তে ফজরিবসি, শীজিন্নরিবা ৱাহৈ-ৱাতাসিনি।

কবিনা অমুকসু হায়রি, লমদমসিদদি লোইনা ঙাওরবনি। অঙাওবনা অঙাওবা উরগা নোক্লবা মওংনি। কবিগী খূৎঙাওদি অৱা-অনাগীনি, লৌমীগীনি, লৈত-লায়রগীনি। মাবু অঙাওবনি হায়রবসু লৌমী-শিন্মীগীদমক শৈরেং ইখিনি হায়রি। মসিবু করেম্নদুনা কবিনা হায়, “নোংমা অঙাওবগী মমিং ইখৎপা নুপা অমা লাকই/... অদুবু মানা ইখৎলিবা চেদুদদি ইরল্লে মহাক্কী মমিংনা অহানবামক্তদা।” (অঙাওবা, লা: ৩১)

অৱা-অনাসিদগী খজিক্তং থৈদোক্তুনা য়েংবা য়াব অমদি কবিনা মশাগী পুন্সিবু মশক খঙবা অসিনি। মানা হায়, ৱাহং পূম্বগী পাউখুম কনাসু পীবা ঙল্লোই। ৱাহংগী পাউখুমদি ইশাতনা পীগদবনি। ইশা হায়বসি লুনা-তোংনা শাব অসি নত্তে, ঐখোয়গী নুংদা কনানো অমা লৈরি হায়রি। কনানো অদুবু মশক খঙলবদি মালেমসু, তাইবঙসু, পোকপসু-শিবসু লোইনা খঙগনি হায়রি। অদুবু ঐখোয়না ইশানা খঙজরুদে। মরমদি অচৌবা মিত্রং অমনি হায়রি। মসিদি অচুম্বা ৱা হায়বনি। খেৎপা য়াদ্রবা।

কবিগী লোঞ্জনগী ফজবনা থল্লবা শৈরেং অমসু য়েংবা য়ারি। শূনা শূনা মবুক থন্দ্রবী লায়রবী অমগী পুন্সি য়েক্লি। নুং শুদুনা ৱানা চরা নোংখন্নরিবীদুগী। মদু শৈথাবদা হায়রি, “…নুপীসিগী নূংথংসে/চাউরবা নূংপাক্তা মরাইবক শুজিন শুজিন্দুনা কপ্লি হীক হীক/নুপী অসিনা নূংথংসিবু থেমজিল্লি/মশাগী হুমাং মরীক মরীক চাইদুনা।” (চাকখুমদা নুপী অমা, লা: ৪৯) মসিদা শীজিন্নরিবা ইমেজরী অসি ইংরাজিদা Transferred Epithet হায়বদুনি। কপ্লিবনা নুপীনি। অদুবু কবি কল্পনানা নূংথংবু কপহল্লি। ফজবা প্রমান্নি।

ইতোপ তোপ্লা কবি লনচেনবগী মশক অনৌবা অমদি মাঙখ্রবা নুংশিবা (Lost Love) অমগী খোঙ্গুল লীবা মশক অসিনি। মাগী হান্নগী শৈরেংশিংদা থেংনদ্রিবা শাফু কল্লবা ঈচেল অমনি। লাক্লরোইদবী মাবু ৱারৌনা ইরি, লাক্কনি হায়রগা লাক্তবগী। অদুনা মখোল থোক্লকই, “য়েংঙু/নুমিৎনা নঙবু ঙাইবমখৈ ঙাইরল্লগা কয়ারক্লো তূমখিবা/মমায় খুমজিন্দুনা নোংমদোল অতিয়াসিদা/থানা অহিংদা কয়ারক ইনাক্তা লাক্লল্লগা হনখিবনি/নহাক্লা লাক্তবদা নীংবা কায়না।” (নঙ লাক্কনি হায়রম্বদাই, লা: ৫৯) অসুম্না ঙাইবা ঙল্লক্তরবদা কবিনা নীংশিংলকই, মাবু নোংমতংদি কোয়রকউদনা হায়রম্বদু। অদুনা শৈথারকই য়ূম্নাক শাগৈ ওনখ্রবী মাবু অসুম্না, “নহাক্তি শাগৈ ওনখ্রে/কুরাক্লা মহুম থাদোক্লগা পাইখিবগুম/অদুবু করম্নদি কাউগনি নঙগী ৱাহৈশিংদো/নোংমতংদি কোয়রকউদনা।” (লা: ৭২) থমোয় খোনবা ৱাহৈ ঙাক্তনি।

য়ামখ্রে কবি লনচেনবনা হন্দক্কী শৈরেং ৬৫গী লাইরিকসিদা শৈথারিবা। লমজাউদা গাড়ীনা তকখায়বীরবী হৌদোং ফাওবা মানা লংথোক্লমদে। লমচৎ নাইদ্রবী কনাগুম্বী ফাওবা কবিনা নাকল অমরোমদা ৱাহন্থোক পীরি। মশাগী লাইবক্লা নাথৈখিবনা মাগী ওইজবা ফংহৌদ্রবা কনাগুম্বা অমবু থিবগী খোঙচৎতা চৎলিবনি হায়রি। অদুনা কবিনা মাগীদমক ইরি শৈরেং অসুম্না, “থিরি নহাক্লা অঙাওবীগুম/নহাক্কী পূক্লিংনা খোয়দাজবা/শকখঙদবা মাবু/অসুম্মক লেপ্পা নাইদনা/… অদুবু মীয়াম্নদি হায়বিরি নঙবু/লমচৎ নাইদবীনি/ওক্তবীনি।” (লমচৎ নাইদবী, লা: ৮৯) কবিগী ৱাখল্লোন ফজদে করম হায়গনি। অমুকসু কবিনা লমদম অসিগী মীপুম খুদিংনা তৌরিবসি য়েংলগা পেন্দনা ইরকই মাগী শৈরেং, ‘অতূম খোঙচৎ’। নত্ত-নত্তবা থৌদোক ঙাক্তা থোক্লিবসি ৱাখল খনবা ঙমদবগী খুদম লৈবননি। অদুবু লমদমসিগী মীশিংবু চৈবা ঙমজদে, অদুনা করেম্নরকই, “ঙসিদি লমদমসিগী মীপুম খুদিং/তূম্না তূম্না চৎলি/চৎনা চৎনা তূম্লি।” (লা: ৮০) কবিনা মীওই পূম্বা মিৎকপ থোকপা ঙাইরি হয়েংগী ঐখোয়গীদমক। কবিনা অমুকসু হায়রি, কেল্লবা অকংবা উনাশিংফাও নুংশিৎ শিৎলক্লবদি অমগা অমগা ৱারী শানৈ, ঐখোয়গী মীশিংদি অকংবা উনামকসু নত্তে, ঙসিফাওবা অহিংবা ওইবা ঙমজদ্রি। মসি কবিনা ঙাইঙমজদে। ঙাইঙমদে ফনা হায়রবসু চৈখৈ অমদি চিংদবা য়াদ্রে। অদুবু কবিনা হায়রি, চিংলিবা চৈখৈ অসিনা অরোইবা নত্তে। মসিনা তাক্লি, কবিনা কদায়ফাওবা মিৎয়েং শানবগে হায়বদু। পুন্সি হায়বসি শিবনা পংখৈ ওইবা য়ারোই হায়বগী ঈঙ্গিৎ পীরি। লুরবা মিৎয়েংনি।

পূম্নমক অসি খঙবনা কবিনা লোইশিল্লকপদা মহৌশাদা চঙজরকই। মহৌশানা লৈরিমখৈ থৱায়না কৈদৌনুংদা লম্লানবা ওইরোই হায়বসি কবিগী অচেৎপা থাজবনি। মসিদি Home Coming নি কবিগী। মহৌশানা মঙোন্দা নহালমখৈ কদায়দা চৎলুবগে হংলকপগুম তৌরি। মরাল লৈরবা মীগুম কবি খুম্বা ঙমজদে, পি তাখিবা নত্তনা। অদুবু কবিগী Alter Ego না খুল্লকই, “করিগী কপ্লিবনো/নঙগীদমক্তা ঐ লৈরিসিদি।” (মহৌশা অমসুং ঐ, লা: ১২১) মসিদি মহা মিলনগী মশকনি।

লোইশিল্লকপদা কবিদা হংবা ঙমজদ্রবসু ইতোমতা খল্লকই, শক্তা লৈতেংনা তাংজবগা, লৈতেংদা শক্লা তাংজবগা কনানা ফজৈ। ফজখ্রবা শক্তু লৈতেংনা লূমথমল্লবসু তৌজ শারিসে মহায়নৈ। কবিগী মথঙগী শৈরেংদদি মদুদদি থোকহন্নীংখিদ্রে।

# মৈগী চীং -২

-মুন্সি প্রেমচন্দ

**লৈসু ফজৈ,** মৈসু ফজৈ। লৈদা ঈংবা-তপ্পা অমদি নুংশিবা মনম য়াওরি, মৈদসু মঙাল অমদি মৈশা য়াওরি। লৈদা খোইমুনা ঙং-ঙংদুনা লৈহি চূপলি অদুগা মৈরানবীনা মৈনুংদা চোঙশিন্দুনা মশাবু চাকথেকহঞ্জরি। ঐগী মাঙদা নিংথিনা লৈরোং হত্তুনা লোল্লবা মোন্তেক মথক্তা শকহেনবী অমা ঙান্থোইরি, ফজবগী মঙাল, মঙাল লৈরবা মৈরীনি। ওন্থোক্লা ফজখ্রে, তঙাং-তঙাংলদনা, মগুণ লৈরদনা, কনাগুম্বা লাই য়েকপা অমনা অসুক মগুণ লৈবা, ফজবগী শক্তম অসিগী সিদগী হেন্না ফজবা লাই অমা য়েকপা ঙমলোই।

নুপীদুনা ঐবু য়াম্না নুংশিনা য়েংলদুনা হংলকই - “লম্বীদা থোইদোকপা অৱাবা খুদোংথিবদি থেংনরক্তেকো?”

ঐনা য়াম্না তাশিন খোমজিন্দুনা খুম্মী - অহোয়, থোইদোকপা খুদোংথিবা অৱাবদি নংজরক্তে।”

নুপী- ‘মফমসি নুংঙাইবরা?’

ঐনা থৌনা অমগা লোয়ননা খুম্মী - অসুক ফজবা মফমদি মালেমগী অতোপ্পা মফম অমদসু লৈরমগদবা মান্দে। হোয়, ঐনা লমিৎ-তুমিৎ তাকপা লাইরিক্তা পারুবদা মফমসিগী ঈশিং-নুংশিৎকী মরমদা ইবদুগা খরদি খেন্নরে অদুগা মহু পানবা শা লৈ হায়। ঐগী ৱাসি তাবদা নুপীদুগী মায়থোংদু খংমক মকশিনখ্রে। ঐনা ৱাফমসি হায়রুবগী মরমদি ঐসু মফমসিদা লাক্লিবসি ঐগীসু খরা থাদোক্লক্লিবনি হায়না হায়বনি। অদুবু ৱাফমসিদা মা য়াম্না নুংঙাইত্রে। অদুবু নুমিৎপু লৈচিলনা ঙাইহাক খঞ্জিল্লুবগুম মাগী মায়থোংদুসু ঙান্থোরক্লে, হায়রকই - মফমসি ফজমনখিবনা মী অয়াম্বা কল্লক্লে। মীগী অফববু খঙশিন্নদবা মী য়াম্না লৈ, ঈশিং-নুংশিৎকী মতাংদা হায়রবসু নহাক্কুম্বা নশা-নউ ফবা মীদদি করিসু ৱানীংঙাই লৈতে। মহু পানবা শা-ঙাগী মরমদা ওইরগনা নহাক্কী মাঙদা চেল্লিবা ময়ামসিনি। ৱাহোং, শজি অমদি কাংঙা অসি মহু পানবা ওইরগদি মফমসিদা মহু পানবা- থৱায় পানবা য়াম্না লৈ। ঐগী ৱাঙাঙদুদা মা খরা শাওনীংলে হায়বসি খঙলে, ঐনা খরা পোংলপ তৌনা হায়- ‘লমিৎ তুমিৎ তাকপা লাইরিকশিং অসিদা থাজবা হায়বসি অরানবনি।’ ঐগী ৱাফমদু তাবদা শকহেনবীদু মথৱায় খরা নুংঙাইরে, হায়রকই- নহাকসি ৱা দোং-দোং হায়দোক্কনবা, ৱা লোৎকন্দবা মী মাল্লি, মসি মীওইবগী অচৌবা গুণ অমনি। ঐনা অদোমগী ফোটো য়েংলুবদগীসু অদুম ৱাখল তারে। অদোম্না ঐনা হায়রিবসি তারগা ঙক্কনি, অদোমগী ফমসিগীদমক্তা মীওই লাখ অমা হেনবনা দরখাষ্ট থারকই। এম এ কয়া, দি এম সী কয়ানি, কনানা জর্মনিদগী পি ঐচ দি দিগ্রী ফংলকই, হন্দক্তি লৈবাকসিদা দিগ্রী অৱাং-অৱাংবা পায়বা কয়া লৈ হায়বদু খঙহৌরে। কনা অমনা মশানা ইজবা লাইরিকশিংগী মমিংদা ইবদা চেনা কয়ানি। মখোয়গী ৱাখলদা লৈবাকসিদি অইবা অমদি পণ্ডিটশিংগী তঙাইফদবনি, অৱাৎপনি হায়না খল্লবজাৎনি। মখোয়দু মতমগী চৎনবী করিমত্তা খঙদবজাৎনি। থায়নগী ৱারী ময়ামসি শুপ্নতংগী অপং-থাজ তৌবা মীশিংগী নুংঙাইনবগীদমক্তনি, মখোয়গী কান্নবা করিমত্তা ফংগদৌবা নত্তে। হৌজিক্কী মতমসিদি তাইবঙগী নুংঙাইবা ফংনবা হোৎনবা মতমনি। হৌজিক্কী মতমদদি মীশিংসিনা করিনো পাম্বৈ অমা হেক্তা তৌদনা নুংঙাইনবা হোৎনরি। মীওই কয়ানা মখোয় মখোয়গী ফোটো থারকই, অঙকপা শক্তমশিংদু য়েংলগা ঐ পুং কয়া কয়া নোকখি। ঐনা মখোয় ময়ামদুগী এলবম অমা শেল্লে অদুগা তাঞ্জা ফংবদা নোক্কে খল্লকপা মতমদা মদু য়েংলগা নোক্কে হায়না খল্লি। অদোমগী ফোটোদু হেক য়েংবদা ঐ পুমশুম শুমহৎখ্রে, খুদক্তা অদোম্বু কৌনবা টৈলিগ্রাম থাখ্রিবদুনি।

ঐগী মরমদা থাগৎলকপা লোয়ননা মদুসু শকহেনবী অমগী মচিন্দগী। ঐনা খুম্মী - ‘ঐ অদোম্না নীংবা কায়গদৌবা থবক অমত্তা তৌজরোই।’ শকহেনবীদুনা ঐবু থাগৎপা মিৎয়েংনা য়েংলদুনা হায়রকই - মদু ঐ হান্নদগী হৌনা থাজৈ। ফরে, থবক্কী ৱা খন্নরসি। য়ূমসিবু ইশামক্কীনি খনবীয়ু, চিংনবীগনু, নুংঙাইনা লৈবিয়ু। ঐগী তুংইনবসি য়ামখ্রে। মালেমগী মফম শিন থুংনা লৈ অদুগা অয়াম্বনা ঐগী মরমদা য়াম্না খঙনীংই। ঐনা পূম্নমক্তবু অদোমদা শিন্নজরবনি। মখোয়শিংদুগী মনুংদা মখল-মখলগী মী য়াওরক্কনি। কনানা ঐঙোন্দগী মতেং নীগনি, খরনা ঐবু চৈগনি, খরনা ঐবু থাগৎকনি, খরনা ঐবু থিনা ঙাঙগনি। পূম্নমকসিবু পেলহনবা হায়বসি অদোমগী থবকনি। ঙসি লাক্লিবা চিঠি ময়ামসি য়েংবীয়ুনে। মীওই অমনা খঙনীংলিবনা মাগী ময়াম্বা লৈখিদ্রবা মতুংদা মাগী লন-থুম ময়ামদুগী ঙাক-শেনবা ওইনা মপূ ওইশিনখ্রে, হৌজিক্তি মা নুংঙাইবা ময়ামদুদগী নান্থোকপা ঙমদ্রে। ময়াম্বগী মচানুপাদু মপূং-মরৈ ফারক্লে, লন-থুমগী মপূ ওইবা য়ারে, কমদৌনা মঙোন্দা পীরোইদগে হায়বসিনি। মসিদা অদোমগী করি মত লৈবগে। মঙোন্দা পীগদবা পাউখুমদি - অদোমগী ইয়াম্বগী মচানুপাদু তৌশিন্নদুনা নুংশিবা শাজিন্নরো, মানা চিংনদ্রবা মতমদা অহাংবা ষ্টাম্প চেদুদা মী ওনবগী ৱারোল ইহল্লো। অসুম্না তেন অমনা উচেক অনী পালহনবগী থবক তৌবসিদা চিংনগনু।’ মাগী পাউখুমসি তাবদা ঐগী থম্মোয়দা লাংতক্লবা অমা ফাওরকই। মাগী অসিগুম্বা পাউতাক অসি তাবদা থম্মোয়দা থুক লাউই। মসিগী নুপীসিবু কনানোনে, মীঙোন্দা অসিগুম্বা ফত্তবা পাউতাক পীরিসিবু কনাগুম্বা উকিল অমত্তনা অসুম্না ৱারেপ তারক্লোই। ঐনা মঙোন্দা চিংনরপ তৌনা য়েংলগা হায় - মসিদি অচুম্বা ৱায়েলগী মায়োক্তনি। ‘শকহেনবীদুনা মখোল হৌনা নোক্লদুনা হায়রকই - অচুম্বা ৱায়েল, মসি শুপ্নতংগী ধর্ম্মবু অপং-থাজ তৌবা মীশিংনা শেল্লম্বনি, মালেমসিদা মদু লৈতে। মপানা মীগী শেন্দোন তোন্দুনা শিখিবা, মচানা পৈশা অমত্তা ৱাক্তনা শিংনবা হোৎনবা। লাইরিক লাইশু হৈবা মীওইশিংনা মসিবু অচুম্বা ৱায়েলনি হায়বা অদুবু ঐদি মসি মীবু থিনা লাক্লবনি হায়না খল্লি। অসিগুম্বা ৱায়েল অসিগী মরুমদা শেঞ্জাউ পায়বশিংগী লাল্লোং তশেংনা উবা ফংই। কনাগুম্বা ডাকু অমনা অচৌবা মীওই অমগী ময়ূমদা লুট চঙবা মতমদা মীয়াম্না মাবু ফাদুনা দন্দি পী। ধর্ম্ম লৈবা মীশিংনা মদুবু অচুম্বা ৱায়েলনি হায় অদুবু মফমসিদসু লন অমসুং তৌবা ঙম্বগী চাং অদু উৎথোক্লি, অচৌবা মীদুনা ইমুং কয়াবু লুট তৌখি, কয়াবু থৱায় ফাওবা লৌদুনা লন খোমজিনখি অদুবু কনানসু মাবু হঙ্গৎনা য়েংবগী থৌনা লৈখিদে। ডাকুদুনা মাগীদা লুট চঙলকপদদি মাগী লনগী পাঙ্গলদুনা মাবু নমথনবা হোৎনখি। ঐদি মসি অচুম্বা ৱায়েলনি হায়না খন্দে। মালেমসিদা লন, লৌনম চিন্থিবা মরৌ তৌবা মীশিংনা ঙম্না পাল্লি, মসি পুন্সিগী লানফমনি, মফমসিদা য়েক্লববু ঙমদুনা মায়থীবা পীবা ঙম্বা পোৎশকশিংদু অচুম্বা ৱায়েলনি অমদি মতিক চাবনি। ধর্ম্মগী লানফম হায়বদু হৌজিক্তি লৈত্রে। অমুকসু য়েংবীয়ু অতোপ্পা মীওই অমনা অমুক ইরক্লি- ঐনা এম এ অমদি আইন্দা ফার্ষ্ট ক্লাসতা পাস তৌখি অদুবু হৌজিক ফাওবা কনামত্তনা ঐবু শক খঙবীদ্রি। লাইরিক-লাইশুগী থাক অমদি হোৎনজমলগী মহয় খরদি ফংগদ্রা খল্লুবনি অদুবু চহী অহুমলোম থেংনরকপা গ্যান অসিনা পূম্নমকসি ধর্ম্মগী চৎনবীনি হায়বা খঙলকখি। চহী অহুমসিদা ইমুংগী লৈজবা পূম্বসু লোইশিনখরে। পাম্বৈ লৈত্রদুনা নহাক্কী নফমদা চঙজরক্লিবনি। লাইবক থীরবা ঐবু থৌজালবীয়ু, ঐগী অৱাবসি কোকহনবীয়ু। মঙোন্দা পাউখুমসি পীবীয়ু- শাশিন্নবা, তৌশিন্নবা চেচাং শীজিন্নদুনা মায় পাক্লবা হোৎনবীয়ু, নুমিৎ খরনিগী মনুংদা অদোমগী নুংঙাইতবশিংদু লোইনা কোকখ্রনি। অতোপ্পা অমনা অমুক ইরকই - ইচানুপীসু চাউশিল্লক্লে, লুহোংবগী চহী য়ৌশিল্লক্লে, হায়নরুবা মফম খুদিং অউনপোৎ চাউনা চাউনা লৌগে হায়বা ঙাক্তা ওই, চাক ফাওবা পুক থন্না চাব ঙমদ্রবসিদা কদায়দগী মীয়াম্না হরাউনবা থবক তৌগদৌরিবনো। মঙোন্দা ইবিখো- ‘নচানুপীদু হনুবা পৈশা পায়বা অমদা থাজরো, অউনপোৎকী মহুত্তা নখোয়দদুম পৈশা পীরক্লগনি। হৌজিক্তি খঙনীংবা মীওইশিংদা করম্না পাউখুম পীগদগে হায়বদু অদোম্না খঙবীরল্লগনি। পাউখুমদু তেন্তক্লা পীগদবনি, প্রমান-পান্থে য়াম্না তৌবসি করিমত্তা কান্নদে। হৌরকপদা থবকসি অদোমদা খরা লুনা থোক্কনি, অদুবু অদোম হৈশিংবা মীনি, থবকসি য়াম্না থুনা হৈনরক্কনি। মমৈথংদদি সিদগী হেন্না লায়বা থবক লৈত্রে হায়না খল্লক্কনি। অদোমগী মতেংদগী অৱাবা তারবা মীওইচা কয়াগী য়াইফবা ওইননি, পুন্সি চূপ্পা অদোমগী মিংখৈ শক শোন্নগনি।

ঐনা মফমসিদা লৈরকপসি থা অমা খরা হেল্লে অদুবু শকহেনবী অসি কনানো হায়বসি হৌজিক ফাওবা খঙবা ঙমদ্রি? ঐসিবু কনাগীদমক থবক তৌরিবনো? মাগী অসুক য়াম্বা মরল-মথুম, অকে-অমৌগী পোৎলমশিং অসি কদায়দগী লাক্লিবনো? য়েংলু য়েংলুবা মায়কৈ খুদিংমক্তা মাগী মতিক-মঙাল ঙাক্তা উই। ঐসি যাদু-মন্ত্রগী লৈবাক্তা লাক্লবগুম ইথন্তা খঞ্জে। ঐগী লাংতক্লবা ৱাখলসিগা শকহেনবীসিগা লৈনরিবা মরীসিসু ঐ খঙদে। ঐ নুমিৎ খুদিংগী মাগা থেংনৈ, উনৈ, মাগী মমাঙ হেক য়ৌরকপদা ঐ ৱাখল মাঙমগুম হেক তৌই। ঐ ঙাঙগে খল্লম্বা ৱা ঙাঙবা ঙমদে। ঐনা মাবু লোন্না লোন্না য়েংজৈ। অদুবু মাগী মেঙলবা মোমোন মিনোক অমদি রাসি লৈবী ৱাঙাঙ, ঈংনা মেঙলবা শৈরেংগী মশক ওইরবা ৱাখল্লোনশিং পূম্নমক অসিনা ঐগী পূক্লিংবু লৈতাহল্লে। মাগী শক্তম্না থম্মোয়দা তেঞ্জেনা লেংবগুম ফাওহল্লি, মাগী মিৎয়েংনা থম্মোয়বু মথৌ চিলহল্লি। শাদানবনা মাগী লাংদা থুরবা শাদুবু শান্ননীংবা মওংদা শান্নহনবগুম শকহেনবীদুনা ঐবু লাংতক্লহন্দুনা থল্লি। ঐদি ফজবগী মৈরিদুদা চাকচবা নত্তনা করিবু তৌগনি, মদুমক্তদা ঐ মৈরানবীগুম মৈরিদুদা চোঙশিন্নবা হোৎনরি। মাগী খোঙয়াদুদা ইকোকসি থমদুনা থৱায়সি থারসিরা হায়বা ফাওবা খল্লি। মসি লাইনীংবা অমগী লাইনীংনি, ঈথক-ঈরাং য়াওদে। মরক-মরক্তা নুমিদাংৱাইরমগী মতমদা মাগী মোটোরবোটতুদা তোংদুনা ঈপাক্তুদা কোয়বদুদি থাজনা ঙাঞ্জানবা অতিয়াদা কোয়বগা পাংখকনি। মদুদা ঐনা নুংঙাইবা ফাওজৈ।

ঐ হৌজিক্তি মফমসিগী চৎনলোনচৎসি হৈনরক্লে। নুমিৎ খুদিংগী ঐগী ইনাক্তা চিঠি ময়োম অমা হেক হেক য়ৌরকই। চিঠি খাওশিংদুদা মুহর অমতা নমদে। মখোয়না মখোয়গী লাংতক্লবা ৱাহং কয়া হংলকই, ঐনা ইকায়খুম্নজবা মীওই কয়াগী চিঠিসু য়াওরকই। লাইরিক হৈবা অফাওবা, অইবা অমদি ওজা কয়ানি, অচৌবা ইনাকখুনবা শেঞ্জাও পায়বা ধর্ম্মগী লুচিংবা কয়ানি, নুমিৎ খুদিংগী মখোয়গী অৱাবা ৱারী কয়া হংলকই। মখোয়গী ৱারীদগী মখোয়গী নুংঙাইতবা কয়াদু খঙবা ঙম্মী অদুবু ঐদি মখোয়না হায়রিবদু তৌশিন্নবা ঙাক্তনি হায়না খল্লি। ঐনা লোনগী পুক্কেনি হায়না খঞ্জবা মীওইশিংদু হৌজিক্তি ঐ মখোয়দা হঙ্গোইবা ফাওরক্লে। মখোয় তৌশিন্নবা, মীঙোন্দগী ৱাখল হুরানবা ঙাক্তনি। ঐনা ইকায়খুম্নজরম্বা ধর্ম্মগী লুচিংবশিংদু মশাগী ওইজবা তানবা, ঈরাংগী ইখৌলাংবা ঙাক্তা ওইরল্লে, মখোয় লৈখা তারবা লমচৎকী কোমদা পুথরবা ঙাক্তনি। ঐ তপ্লা তপ্লা ৱাখল তারক্লে, মালেম লৈশেম্বদগী হৌনা চহী লাখ কয়া হৌখ্রবসু মীওইবসি হান্নগুম্না ঈথক-ঈরাংগী মনাই ওইরি। অদুবু মতমদুদদি মীওইবসি অদুক তমথিবা শাথিবদি ওইরমদে।

-মথং-মথং

-হিন্দীদগী হন্দোকপা

—লৈমপোকপম বেদান্তী